**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15-12-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) নুমিৎ তরানি চথুগদবা ৩১ শুবা ইম্ফাল বুক ফেয়ার ঙসিদগী ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরী কৈশাম্পাৎতা হৌখ্রে।

২) সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা হায়রি- হৌজিক থেংনরিবা লান অসিগী হৌরকফম খঙগে হায়রবদি হিষ্ট্রি নৈনবা চংই।

৩) রিমস হোস্পিতালদা হোষ্টেল য়াওনা রেসিদেন্সিয়েল কমপ্লেক্স, স্পোর্টস অমসুং রিক্রেসনেল এমিনিতিশিং শেমগৎপগী প্রোজেক্টশিং পায়খৎকদৌরি।

৪) ময়াই লন্বীগী মোংসাংগৈদগী শামুরৌ ফাওবগী লন্বী শেমদবগী মায়োক্তা মীয়ামা লন্বী থিংজিল্লুরে, মরী লৈনবশিংনা শেমজিল্লগনি হায়রি।

অমসুং

৫) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- ইং কুমজা ২০২৬ গী মার্চ ফাওবদা ছত্তিসগরবু নক্সলাইট লৈতবা রাজ্য অমা ওইহন্নবা সরকারনা থৌরাং তৌরি।

**------**

লাইব্রেরী (এল)ঃ নুমিৎ তরানি চথুগদবা ৩১ শুবা ইম্ফাল বুক ফেয়ার ঙসিদগী ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎতা লৈবা ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরী কেম্পসতা হৌখ্রে।

থা অসিগী ২৪ ফাওবা চথুগদবা বুক ফেয়ার অসি ষ্টেট সেন্ত্রেল

লাইব্রেরী ইম্ফাল অমসুং রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী টুয়েল্ব দিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরীজনা রাজা রামমোহোন রোই লাইব্রেরী ফাউন্দেসন কোলকাতাগা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকপনি।

ইম্ফাল বুক ফেয়ার বুক পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, রাজ্য অসিদা লাইব্রেরীগী ইহৌ শাগৎপা, লাইরিক হেন্না পুথোকবা, লাইরিক পাবগী হৈনবী লৈহন্নবনি।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্রনা হায়- মালেমগী হোংলক্লিবা চাওখৎ লমজেল অসিবু নৈনবা পামজবা মীওইশিংদা বুক ফেয়ার অসিনা খুদোংচাবা পীরগনি। লাইরিক পাবা অমদি লাইরিক ফোংবগী মশিং য়াম্লিবা মখে অফবা খুন্নাই ওইবা ঙমগনি হায়না লৌবা য়াই।

থৌরম অদুদা রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী কম্মিসনার এম. জোয়, লেঙ্গুএজ, প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসনগী দিরেক্তর এল. রাধাকান্টসু শরুক য়াখি।

পনবা য়াই ইম্ফাল বুক ফেয়ার অসি ইং কুমজা ১৯৯১ দগী হৌদোকখিবনি। অদুমওইনমক, ১৯৯২, ২০২০ অমসুং ২০২১ দদি বুক ফেয়ার অসি পাঙথোকখিদে। ঙসিদগী হৌরিবা লাইরিক্কী মেলা অসিদা লমদম অসিগী ওইবা বুক ফার্ম ২১ অমসুং অতৈ রাজ্যশিংদগী লাকপা বুক ফার্ম ১১ পুন্না ৩২ না শরুক য়ারি।

নুমিৎ ১০ নি চথুগদবা লাইরিক মেলাগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং, মায় পাক্লবা মীওইশিংগা উন্নবা, অইবশিংগা উন্নবা, অনৌবা লাইরিকশিং ফোংবা, কলেজকী মহৈরোইশিং, প্রিন্সিপালশিংগা উন্নবা, শান্ন-খোৎনবগী লমদা শকাইরবা মীওইশিংগা উন্নবা, অঙাংশিংগী ওইবা খুদক্তা লাই য়েকপা চাংদমবা, ক্যুইজ অমসুং এক্স-তেমপোর স্পিস পাঙথোক্কনি। মেলা মনুংদা লাইরিক লৈবদা চাদা ১৫ দিসকাউন্ট পীগনি।

দিঙ্গো (এল)ঃ অথৌবশিংগী নিংশিং খুভম মায়খুম হাংদোকপা অমদি হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম ঙসি কদাংবন পার্ট-টু কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গো, ময়াং লাংজিং জিলা পরিষদকী মেম্বর কৈশাম সোহোদেব সিংহ, সি.সি.এস.কেগী প্রসিদেন্ট জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনচিংবা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা হায়- হৌজিক ঐখোয়না থেংনরিবা লান অসিগী হৌরকফম খঙগে হায়বা তারবদি হিষ্ট্রি নৈনবা চংই। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা সি.এস.ওশিংনা লৌরিবা অসি মরুওই। মহাকা হায়- মহাক্কী কেন্দ্র ওইরিবা সেকমাই অসি লান অসি হেক হৌরকপদগী লানফম ওইদুনা লৈরি। মরম অদুনা কেন্দ্র অসিদা লৈরিবা মীওইশিং, মৈরা পায়বীশিং খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি। মন্ত্রিনা হায়- লান অসি লোইশিন্নবা সরকার অমসুং সি.এস.ওশিংনা কন্না হোৎনরি।

দিবস (এল)ঃ লৈবাক শিনবা থুংনা হয়েং বিজয় দিবস পালন পাঙথোক্কনি। থৌরম অসি মণিপুরদসু রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী অহানবা মণিপুর রাইফলসকী বঙ্কেট হোলদা পাঙথোক্কনি। মদুদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহ অমসুং পৱার মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎ সিংহ শরুক য়াগনি।

ইং ১৯৭১ গী ভারত-পাকিস্তান লানদা মায় পাকখিববু নিংশিংদুনা পালন থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

রিমস (এল)ঃ রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস রিমস ইম্ফালগী নৌনা শাবা ফমুং ১৫০ লৈবা অন্দর গ্রেজ্যেট গার্লস হোষ্টেল ঙসি রিমসকী দিরেক্তর প্রোফেসার জি. শুনিলকুমার শর্ম্মানা শঙ্গাখ্রে।

ফমুং ৭৭০ লৈবা হোস্পিতাল য়াওনা রেসিদেন্সিয়েল অমদি হোষ্টেলগী খুদোংচাবশিং পীনবা তোঙান তোঙানবা বিল্ডিংশিং লাক্লিবা চহি ৮ গী মনুংদা শানবা থৌরাং তৌরি হায়না দাইরেক্তর শুনিলকুমার শর্ম্মনা শঙ্গাবগী থৌরমগা মরী লৈননা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- নৌনা শঙ্গারিবা হোষ্টেল অসিদা মহৈরোইশিং হোংজিল্লবা মতুং লেদিজ হোষ্টেল-ৱান অমদি টু শিদোক্লগনি। অতোপ্পা হোষ্টেলশিং য়াওনা রেসিদেন্সিয়েল কমপ্লেক্স অমদি স্পোর্টস অমসুং

রিক্রেসনেল এমিনিতিশিং শেমগৎপগী প্রোজেক্ট কয়াসু পায়খৎপগী প্লান তৌরি হায়খি।

আইএমএ (এল)ঃ নুমিৎ ৯ নি চুপা চখৎরকপা ওল মণিপুর মেদিকেল কনফরেন্স (এমামেকোন) ২০২৪ ঙসি লোইশিনখ্রে। লোইশিনবা নুমিৎতা আই.এম.এ মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট আর.কে. লেনিন্না হায়- রাজ্য অসিগী লৈরিবা ডোক্তর খুদিংমক পুনশিন্দুনা মীয়ামগী অনা লায়েংগী থবক্তা হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা হোৎনবা লৈপত্রি। এসোসিয়েসন অসিগা লোয়ননা ডোক্তরশিংনা মীয়ামগী অনা লায়েংগীদমক লৌখৎলকপা থৌরাংশিংদা মীয়ামা শৌগৎপীয়ু। ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন (আই.এম.এ) মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা চখৎরকপা কনফরেন্স অসিদা মপান লমদগী লাকপা স্পিকরশিংনা সাইন্তিফিক পেপর ২০ হেন্না লান্থোকখি।

লম্বী (এল)ঃ ময়াই লম্বীগী মোংশাংগৈদগী হৌরগা শামুরৌ ফাওবগী লম্বী অসি অসুক্কী মতিক ফৎত্রে। লম্বী অসি চৎথোক চৎশিনদা খুদোংথিনিঙাই ওইরে। লম্বী অসিবু মতম কুইনা শেন্বীদনা লাকপা অসিদা শামুরৌগী ইমা ইবেল অমসুং লমদম অদুগী মীয়ামা লম্বী তৌখায়বা অমসুং থুগাইবগী খোঙজং চংশিনখ্রে। খোঙজং চংশিল্লিবশিংগা পুলিসকা চাউনা মুকবা থোকখি । ময়াই লম্বী অপুনবা লুপকী পাব্লিসিতি সেক্রেটরি ওইনাম চাউবা চনুনা হায়- লম্বী অসি শেন্বীনবা সরকারদা কয়ারক হায়জখিবা লৈরে। অদুবু হৌজিক ফাওবা শেমজিনবগী থবক পায়খৎত্রি । সরকারনা লম্বী অসি শেমজিল্লগনি হায়বগী চপ চাবা ৱারোল পীরক্ত্রিবা ফাওবা খোঙজং হন্দোক্লোই।

অমরোমদা, খোঙজং চংশিল্লিবা মীওই মরি পুলিসনা ফাজিনখিবা অদু থাদোকখ্রে হায়রি। লম্বী অসি শেমগদৌরিবা স্পেসিয়েল কন্ট্রেক্তরনা ময়াই লম্বী অপুনবা লুপকী ইমা ইবেলশিংগা ৱারী শান্নরবা মতুং অথুবা মতমদা লম্বী শেমজিনবা হৌরগনি হায়রি। অদুমওইনমক, থবক শুবা হৌদ্রিবা ফাওবদি খোঙজং মখা তানা চংশিনখিগনি হায়রি।

ককচিং (এল)ঃ লাইওন্স ক্লব ইন্তরনেসনেল দিষ্ট্রিক্ট ৩২২-দি গী মখাদা লৈবা লাইওন্স ক্লব ওফ ককচিং গ্রেটরনা আনন্দ সিংহ যোগ এন্দ নেচর কিয়োর রিছার্স হোস্পিতাল ককচিংগা খুৎশমরগা দাইবেটিস লৈব্রা খঙদোকবা নোংমগী ওইবা কেম্পেন অমা ঙসি ইন্দোর ষ্টেদিয়ম ককচিংগী রিলিফ কেম্পতা পাঙথোকখ্রে। নোক আউট দাইবেটিস প্রোগ্রাম অদু ককচিং জিলাগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈবা মীওই ১০০ রোম ব্লড সুগর লেবেল অমসুং ব্লড প্রেসর চ্যেক তৌখি।

ৱাকৎ (এল)ঃ ককচিং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা নেসনেল হাইৱে-১৩৭ (এ)গী কৈরক্তগী ৱাবগাই তাবা লম্বীগী কৈরক পঞ্চায়ট ঘর মপাদা ঙরাং শকখঙদবশিংনা নোন-লোকেল অনি নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বগী থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি কৈরক য়াৱাবুং কৈথেলশঙদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। কৈরক অপুনবা মৈরা পায়বী অমসুং কৈরক য়ুনাইতেদ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন্না পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা কৈরক্তা নোংমৈ কাপ্তুনা মী হাৎপা য়ানিংদে, মীচম মরক্তা মী হাৎপা য়ানিংদে, কনানা করি মরমগীদমক মী হাৎলল্লিবনো হায়বনচিংবা প্লেকার্দশিং পায়খি।

থৌবাল (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী মনুং চনবা শলুংফমদা ঙরাং খুল ঙাকপা মীওই অমা শিখিবা অমদি মখোয় ৬ ফাজিনখিবগী মায়োক্তা ঙসি মায়ামা থৌবাল মেলা গ্রাউন্দ মপাদা লম্বী থিংদুনা খোঙজং চংশিনখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা শেমখিবা জে.এ.সিনা থৌবাল দি.সিদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে। ঙসি অয়ুক থৌবাল মেলা গ্রাউন্দদা মীয়াম পুল্লবা তুংদা লম্বী থিংবগী খোঙজং অদু চংশিনখি। তুংদা মেমোরেন্দম অদু পীশিনখিবনি। মদুদা ফাজিনখিবা মীওই ৬ সর্ত্ত অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি। খুল ঙাকপা মীওই অমা শিখিবা অদুদা চেন্নবা পুলিস কম্মান্দো মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়বা ৱাফম য়াওরি। তাল্লিবা দাবীশিং অসি পুং ২৪ গী মনুংদা থবক্তা ওন্থোক্কদবনি হায়নসু মেমোরেন্দম অদুদা পনখি।

তুংদা, মশিং য়াম্লবা মীয়ামা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা থৌবাল এস.পি. ওফিসতা থোমজিনখি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ নুজা লীচিং মরুপ (নুলিমা) লিংখৎখিবগী গোল্ডন জ্‌বিলি সেলেব্রেসন বিষ্ণুপুরদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। গোল্ডন জ্‌বিলি সেলেব্রেসন অদুগী তুংগী মীরোলগীদমক হায়বা হিরম পাঙথোকপনি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ইং কুমজা ১৯৬৫ দা সিক্কিমদা চাইনাগা থোকখিবা উংখৎনবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা থৌনা ফরবা লান্মীশিংগী মফম ইকায় খুমবা উৎখ্রে। মণিপুরগী জোপীদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা লৈখিদ্রবা লান্মী ৭ কী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

কেম্প (এল)ঃ থৌবাল জিলাদা লৈবা খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্স ঙাক শেন্দুনা লু-নান্না থমবগী পান্দমদা ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স)না থা অসিগী তাং ১৩ দগী হৌরগা তোঙান তোঙানবা সংস্থানশিং, ফোক্স থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কমিতি, খোংজোম খেব চীং মেমোরিয়েল য়ুথ ক্লব, খেব চীং নুপীজা অপুনবা লুপ, এম.পি.দি.এফ অমসুং কমপ্লেক্স অসিগী অকোইবদা লৈরিবা মীয়ামগী অপুনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা ঙসিদগী হৌরগা ইপা ইপুশিংগী খুভম লু-নান্না থমশি হায়বা ৱাখল্লোনদা চহি অমা চুপা শিৎ শেংবগী থবক পায়খৎলগনি হায়রি।

কবুই (এল)ঃ কবুই ধর্ম্ম সভা মণিপুরনা শিন্দুনা কবুই শলাং মাইবা নিংশিং থৌরম ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাঙ্গোল ৱারোক লৈকাইদা লৈবা সভা অসিগী সিতি ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। চহি খুদিংগী পাঙথোকপা থৌরম অসি ধর্ম্ম সভাগী প্রসিদেন্ট দি.এল. কবুইনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখি হায়রি। থৌরমদুদা দি.এল. কবুইনা কবুই শলাং মাইবা অমসুং নোংবান হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংখি।

শঙলেন (এল)ঃ উত্রা শঙলেন সনা কোনুংনা শিন্দুনা পোইনুগী ১৫ নি পানবা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎ অসিদা ইবুধৌ নোংদা লাইরেল পাখংবগী মফমদা অপোক চুংখোঙ থৌনিবগী লাইথৌ পাঙথোকখ্রে। লৈবাক অসিদা লৈরিবা য়েক সলাই ৭ কী মপারি মমোমশিংবু পুন্সি নুংশাংনা তেক্ত কায়দনা, নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না পান্নবা থৌনিজখি হায়রি।

সাহ্ ঃ মাওইষ্টশিংনা খুৎলায় থাদোক্তুনা সমাজ অসিগী মহৌশাগী ঈচেলদা তিল্লনবা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা আপীল তৌরি।

রাইপুরদা পাঙথোকপা ছত্তিসগর পুলিসতা প্রসিদেন্টস কলর খুৎশিন্নবগী থৌরমদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- ইং কুমজা ২০২৬ গী মার্চ ৩১ ফাওবগী মমাংদা কেন্দ্র সরকারনা ছত্তিসগরবু নক্সলাইট লৈতবা রাজ্য অমা ওইহন্নবা থৌরাং অসি মঙফাওনহন্নবা ছত্তিসগর পুলিসনা থৌনা ফনা কৎথোকপগা লোয়না নক্সলাইটশিংগী মায়োক্তা কেম্পেন চত্থরক্লি। মাওইষ্টশিংনা খুৎলায় থাদোক্তুনা সরকারদা চংজরকবা আপীল তৌরদুনা মহাকা হায়- ছত্তিসগর সরকারনা সরেন্দর পোলিসি শেমদুনা থম্লে অমসুং সরেন্দর তৌরক্লবা মাওইষ্টশিংদা খুদোংচাবা কয়া পীগনি। মহাকা হায়- ছত্তিসগর পুলিসতা প্রসিদেন্টস কলর পীরিবা অসি মখোয়না কৎথোকপগা লোয়ননা মথৌ নিংথিনা তৌরিবা অদুগীদমক্তনি।

থৌরম অদুদা ছত্তিসগরগী মুখ্য মন্ত্রি বিষ্ণু দিও সাই, বিধান সভা অধ্যক্ষ ডাঃ রমন সিংহ, উপ-মুখ্য মন্ত্রি বিজয় শর্ম্মা শরুক য়াখি। গৃহ মন্ত্রিনা ঙসি নুংথিল জগদলপুরদা পাঙথোকপা বাস্র ওলিম্পিক্কী লোইশিনবগী থৌরমদসু শরুক য়াখি। মহাকা খুৎলায় থাদোক্তুনা সরকারদা চংজরকখ্রবা মাওইষ্টশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শানখি।

মহারাষ্ট্র ঃ মহারাষ্ট্রগী মহা যুতি সরকারদা অনৌবা মন্ত্রিশিং হাপচিনদুনা মন্ত্রি মন্দল চাউথোকখ্রে। নাগপুরদা লৈবা রাজ ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা রাজ্যপাল সি.পি. রাধাকৃষ্ণন্না মন্ত্রিশিং অদু ৱাশক লৌখি। ৱাশক লৌবগী

থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রি দেবেন্দ্র ফদনাবিস, উপ-মুখ্য মন্ত্রি একনাথ সিন্দে অমসুং অজিৎ পৱার শরুক য়াখি। ঙসি ৱাশক লৌখিবা কেবিনেট মন্ত্রিশিংগী মনুংদা বি.জে.পিদগী ১৬, শিব সেনাগী ১০ অমসুং এন.সি.পিগী ৮ য়াওরি। মসিগী মথক্তা রাজ্য মন্ত্রি ওইনা বি.জে.পিগী মন্ত্রি ৩, শিব সেনাগী ২ অমসুং এন.সি.পিগী মন্ত্রি ১ ৱাশক লৌখি।

সংসদঃ লৈবাক অমা, মীখল অমগা মরী লৈনবা বিল অনি লোক সভাদা হয়েং পুথোক্লগনি। কেন্দ্রগী আইন মন্ত্রি-আরজন্ রাম মেঘাৱালনা-সংবিধানগী ১২৯ শুবা এমেন্দেমন্টে বিল অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিজ লোজ (এমেন্দমেন্ট) বিল লোক সভাদা পুথোক্কনি।

লৈবাক অমা, মীখল অমগা মরী লৈননা শেমখিবা অৱাংবা থাক্কী কমিতিগী প্রস্তাব সরকারনা অয়াবা পীখিবনি। মসিনা লৈবাক শিনবা থুংবদা মীখল অমুক্তদা পাঙথোকবগী লম্বী য়াৎলে।

হান্নগী রাস্ত্রপতি-রামনাথ কোবিন্দনা সভাপতি ওইবা অৱাংবা থাক্কী কমিতি অদুনা ষ্টেকহোল্ডরশিং, রাজনিতি দলশিং অমদি অখণ্ড অহৈশিংগী মোত লৌখিবনি। থৌরাং অসিগী মখাদা মীখল তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোক্কনি। অহানবা তাঙ্কক্তা লোক সভা অমসুং রাজ্য বিধান সভা মীখল মতম অমত্তদা পাঙথোক্কনি। অদুগা, পঞ্চায়ট অমসুং ম্যুনিসিপালিতিগী মীখলশিংনা সধারনগী মীখল পাঙথোকখিবা নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা পাঙথোক্কনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

কাংঃ মণিপুর কাং এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চত্থরকপা ৬৬ শুবা সার চুরাচান্দ কে.সি.এস.আই.সি.বি.ই মেমোরিয়েল লিগ কম নোক আউট ওপন কাং তুরনামেন্ট ২০২৪ গী ফাইনেল ক্লাসা-এ লৌখ্রে। ৱাবগাইদা লৈবা ৱালিদা কাংশঙদা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ক্লাসা-এনা হোকপু পাঞ্জল ২৬-১০ মায়থিবা পীখিবনি।

হোক্কি ঃ অহানবা দি.জি.এ.আর অন্দর নাইন্তিন মেন্স এন্দ ৱিমেন্স হোক্কি তুরনামেন্ট ২০২৪ নুপীগী ফাইনেলদা ৱাই.সি.সি.আই.সি অহল্লুপনা মৈরা বাসিখোংবু পেনালতি সুট আইটতা পাঞ্জল ৪-২ দা মায়থিবা পীখ্রে। নুপাগী ফাইনেলদনা হোক্কি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা কে.ঐচ.এস.সি খোংমনবু পাঞ্জল ৩- ১ মায়থিবা পীখ্রে।

ক্রিকেট ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী থাঙ্গ খুনজেমদা চত্থরকপা মরিসুবা লাইনিংথৌ ত্রোফি ক্রিকেট তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এম.এস.এ খুনজেমনা কে.এন.কে কৈবুলবু রন ১৬ তা মায়থিবা পীদুনা ত্রোফি অসিগী মপু ওইখ্রে। এম.এস.এগী বিজেন্না বোল ২৫ মায়োকবদা রন ৪১ লৌদুনা মেন ওফ দ মেটচ তাখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দ ইম্ফালদা শান্নখিবা মেটচতা কে.সি.দি.ও কোংপালনা ইপসা য়ুমাম লৈকাইবু ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীখ্রে। কে.সি.দি.ওগী ক্ষেত্রিময়ুম দয়ানন্দনা ওভর ৭ তা ৱিকেট মরি লৌদুনা প্লেয়ার ওফ দ মেটচ তাখি।

খাঙবোক্কী পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি ললাম্বুংনা কে.আই.ৱাই.সি ক্ষেত্রিগাউবু রন ৩৪ দা মায়থিবা পীখ্রে। ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সিগী চন্দ্রকুমারনা ওভর ৬ তা ৱিকেট ৩ লৌবতা নত্তনা বোল ৩৭ মায়োকবদা রন ৩২ লৌবা ঙমদুনা প্লেয়ার ওফ দ মেটচ তাখি।

মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট টুর্নামেন্টকী ওইনা মোদেল হয়ার সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ব্লু হোক খুরাই লমলোংনা য়ু.সি.সি কাংচুপ রোডপু রন ১৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

থৌবাল মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নবা মেটচতনা ৱাই.দব্লিউ.সি থৌবাল ৱাংখেমনা অল অমিন লিলোংবু ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীখি।

যোগ ঃ মণিপুর যোগ সোসাইতিনা শিন্দুনা পাঙথোকপা অহানবা মণিপুর যোগা সনা চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ ঙসি পাঙথোকখ্রে। চহি ৬ তগী হৌরগা চহি ৬৫ গী মথক ফাওবদা লৈবা তোঙান তোঙানবা কাংলুপ ১৬ থোকা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নসিপ অদুদা মকোক মথং তারবশিং লাউথোকখিবগা লোয়ননা মখোয়শিং অদু ৩৬ শুবা নেসনেল যোগা সনা চেম্পিয়নসিপ ২০২৪-২৫ দা শরুক য়ানবা খল্লে হায়রি।

ফুটবোল ঃ মরিশুবা মাস্তর ডা: মোইরাংথেম মনাউতোন সিংহ অমসুং এম. চন্দ্রসখি দেবী মেমোরিএল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ঙসি আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দ লমলোংদা শান্নখিবা মেটচ অমদা এফ.এল.এ.কেনা য়ু.বি.এস.এবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা টি.বি.এস.এফ.এ অমসুং ভি.এফ.সি পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

------

--হৌজিক অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--

১) নুমিৎ তরানি চখগদবা ৩১ শুবা ইম্ফাল বুক ফেয়ার ঙসিদগী ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরী কৈশাম্পাৎতা হৌখ্রে।

২) সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা হায়রি- হৌজিক থেংনরিবা লান অসিগী হৌরকফম খঙগে হায়রবদি হিষ্ট্রি নৈনবা চংই।

৩) রিমস হোস্পিতালদা হোষ্টেল য়াওনা রেসিদেন্সিয়েল কমপ্লেক্স, স্পোর্টস অমসুং রিক্রেসনেল এমিনিতিশিং শেমগৎপগী প্রোজেক্টশিং পায়খৎকদৌরি।

৪) ময়াই লম্বীগী মোংসাংগৈদগী শামুরৌ ফাওবগী লম্বী শেমদবগী মায়োক্তা মীয়ামা লম্বী থিংজিল্লুরে, মরী লৈনবশিংনা শেমজিল্লগনি হায়রি।

অমসুং

৫) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- ইং কুমজা ২০২৬ গী মার্চ ফাওবদা ছত্তিসগরবু নক্সলাইট লৈতবা রাজ্য অমা ওইহন্নবা সরকারনা থৌরাং তৌরি।

--- পাউ লোইজরে---